ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
Thursday, August 29, 2019, Imphal


## ষ্টেটস রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জন্যুৱারী ২০ দা ইম্ফাল ইষ্টকী থোংজুদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেটস রিপোর্ট পীরক্নবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টনা খঙহনখ্রে।

ইমুং-মনুংগী ওইবা ৱাহৌদগী থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমগী মতাংদা শিংজমৈ পুলিসনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়না য়েংশিনবীবগা লোয়ননা মরাল লৈবনি হায়বা মীওই অহুমগী মথক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌবীয়ু হায়না নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী সোরোখাইবম ওংবী অদিকি কৌবী নুপী অমনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্ট এল তোনসিংনা পীখিবা ৱায়েল অমনা হায়খি মদুদি, পুলিসনা চথবা ইনভেষ্টিগেসনদা কোর্টনা য়েংশিনবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই লৈতে। ইনভেষ্টিগেসন ওফিসরনা হায়জরকপা নৎত্রগদি কনাগুম্বা অমত্তগী মায়োক্তা এরেষ্ট ৱারেন্ট ইস্যু তৌবসু ঙমদে। অদুম ওইনমক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেটস রিপোর্ট কৌদুনা ইনভেষ্টিগেসনগী ফীভম করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদুদি য়েংশিনবা ঙম্মী। মরম অদুনা আই পি সীগী তোঙান তোঙানবা সেক্সন খরগী মখাদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী ও সীনা সেপ্টেম্বর ২৪ ফাওবগী মমাঙদা ইনভেষ্টিগেসনগী ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়না চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা খঙহনখি হায়রি।


## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE**
Booking Upto: 28/08/2019
Valid From: 16/08/2019
***Stk : 612 (CTC)***
Timing: 06.30 am to 10.00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
***14 Kg Stk : 306***
***5 & 19 Kg Stk Available***
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**GBD, LAMLONG**
Booking Upto: 22/08/2019
Valid From: 30/07/2019
***Stk : 612 (only CTC)***
Timing: 07.00 am to 10.30 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg. Stk : 386**
**19 kg Commercial Stk : 213**
**5 kg Available**
Delivery at Heinoupok
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)
No Booking Required
Avail Online Booking,
Payment & Home Delivery

**JEMON GAS, CHINGAMATHAK**
**Sl. No. Upto - 76100**
Booking Upto: 24/08/2019
Valid From: 05/08/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.00 am to 09.30 am

**K & K INDANE SERVICE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**KHUMBONG INDANE**
Booking Upto: 29/07/2019
Valid From: 25/07/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**LAMBODARA INDANE**
**Booking Uptodate**
Timing: 08.00 am to 10.30 am

**M.M. GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
**Stk : 612 (DBTL)**
**5 & 19 Kg Stk Available**
Timing: 07.00 am to 10.30 am
Home Delivery Form Available

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Booking Uptodate**
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
***Stk : 612***
***19 Kg Stk: 15***
Timing: 07.30 am to 09.30 am
(First Come First Serve)

**MISAO GAS SERVICE**
**Booking Uptodate**
**14.2 Kg Stk : 306**
**19 Kg Available**
Timing: 07.00 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**R & H, IRILBUNG**
Booking Upto: 28/08/2019
Valid From: 06/08/2019
***Stk : 612***
Timing: 08.00 am to 11.00 am

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto: 20/07/2019
Valid From: 17/07/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**J RONGMEI SK INDANE WANGOI**
Booking Upto: 25/07/2019
Valid From: 21/07/2019
***Stk : 306***
Timing: 06.30 am to 09.30 am

**TANGLEI GAS, OINAM**
Booking Upto: 17/08/2019
Valid From: 08/08/2019
***Stk : 918***
Timing: 07.00 am to 10.00 am


# থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী মীওইশিং ফূরগা লুপা লাখ ৩ হেনবগী পোৎ-চৈ অমাঙ-অতা থোকহল্লক্লে : কনভিনর

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর কে ঐচ ইনাওচানা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না থৌবাল তুরেল মরিলদা লোনা যাদবা মওংদা তুরেল অসিদগী নুঙ অমদি লৈঙোই পেকপগী থবক হুরান্দুনা তৌরম্বা মীওইশিংগী খূৎপু অমনা কম্মিটি অসিগী মীওই ৯ ফাজিন্দুনা থম্বগী মথক্তা ফূ-চৈবগা লোয়ননা কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা শীজিন্নবা গাড়ী ২ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং অমাঙ-অতা থোকহন্দুনা লুপা লাখ ৩.২৩ মুক মাঙহনখ্রে হায়রি।



থৌদোক অসি থা অসিগী ২৫দা থোকখিবনি হায়রদুনা কনভিনরনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাখিবা ৱাকৎ অমগী মতুংইন্না কোর্ট অসিনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা লৌখৎতুনা মসিগী ৱায়েল চথরক্তুনা অথিংবা কয়া থম্লক্লি ঙৈগী চৈরক্তা তুরেল অসিদা লোন্না নুঙ-লৈঙোই পেকপগী থবক তৌরে হায়বগী পাউ কম্মিটিনা ফংখি। পাউ অসিগী মতুংইন্না তুরেল অসিগী মরিলদা লোগী ৱাংমদা চথরে হায়রিবা থবকশিং অসিগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা ভিদিও কভরেজ তৌদুনা কোর্ট অসিদা পীশিন্নবগীদমক কম্মিটিগী চ্যেরমেন এ কে বিশ্বরজিৎনা লুচিংবা মীওই ৯না মোইরাংপুরেল, নোংৱম, চঙমদবী অমদি চন্দ্রখোংনচিংবা মফমশিংদা লৈবা তুরেলগী শরুকশিং য়েংশিল্লুখি। মসিদা লোগী ৱাংমদা মীওই খরনা জে সী বি, এক্সকাভেটর অমদি ক্রোল্লর এক্সকাভেটরনচিংবা শীজিন্নদুনা তুরেল খোংনুংদগী লোন্না নুঙ-লৈঙোইশিং পেক্লম্বা থেংনখি হায়রি। মসিগীদমক কম্মিটিগী মায়কৈদগী কেমেরা অমদি দ্রোন শীজিন্নদুনা তৌরল্লিবা থৌওংশিং অদু রেকোর্ডিং তৌনবা হোৎনখি। অদুবু কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা লুচিংবা মীওই ৯না দ্রোন শীজিন্নদুনা ভিদিও কভরেজ তৌরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা লৈরোংথেল মপাদা হান্না ঙাইদুনা লৈরম্বা কিরন কৌবা মীওই অমা অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা কম্মিটিগী মেম্বরশিংবু ফাজিনখি।

লোয়ননা মেম্বরশিংদা য়াওরকপা মোবাইল ফোন ১০, দ্রোন কেমেরা অমদি কার ২ মখোয়না লৌশিনখি। অদুগা মনাক নকপা লম্পাক অমদা পুরকপগী লম্বীদা কম্মিটিগী মেম্বর অনীদসু ফূ-চৈবা হৌরকখি। লম্পাক য়ৌরবা মতমদা কম্মিটিগী মেম্বরশিংবু হাৎলগদবনি হায়না কিহন-খংহনখি। হায় কোর্টতা ৱায়েল চথরক্লিবা পি আই এল অদু ৱিদ্রো তৌরে হায়দুনা নন-জুদিসল ষ্টাম্প পেপর অমদা সাইন তৌ হায়দুনসু কিহনখি হায়রি।

লোয়ননা করিগুম্বা পুলিস লাক্লবদি মেম্বরশিংবু শোয়দনা হাৎলগদবনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু ক্লব অমদা ছো লোনশিল্লগা থমখি হায়রি। তাঞ্জা অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডা. ইবোমচাগী পাউতাক মতুংইন্না নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ইন্সপেক্টর নবকান্তনা লুচিংবা টিম অমনা মেম্বরশিংবু মফম অদুদগী রেস্ক্যু তৌবা লাকখি। পুলিস লাকপদগী মখোয়বু ফাজিল্লম্বা মীওইশিংবু লুচিংলম্বা কিরন অমদি মহাক্কী কাঙবুনা ভলন্টিয়রশিং অসি তুরেলদা নুপী-অঙাংনা ইরুজ রিঙৈদা ভিদিও কাপ্পগী ফাবনি হায়না লান্না পুলিসতা পাউদমখি হায়রি।

অদুমওইনমক মসিগী মতাংদা অশেংবা খূদম চাংদম ওইগদবা ভিদিও অমদি ফোটোশিং পুলিস অমদি কোর্টতা য়ৌখিদনবগীদমক মখোয়না লৌশিনখিবা মোবাইল ফোন ১০ অমদি দ্রোন কেমেরা অমা থুগায়রগা ঈশিংদা লুপশিল্লবা মতুংদা পুলিসকী মনাক্তা পুশিল্লকখি হায়রি।

ইন্সপেক্টর নবকান্তনা য়াম্না হৈ-শিংনা মেম্বরশিংবু মখোয়গী মখূৎতগী রেস্ক্যু তৌদুনা পুলিস ষ্টেসন তান্না পুরকখি। মসিগীদমক কম্মিটিগী মায়কৈদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপু থাগৎপসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা করিগুম্বা তাঞ্জা অদুদা পুলিসকী টিম লাক্লমদ্রবদি লাইবক থীবা থৌদোক থোক্লম্বা য়াই হায়রি।

কম্মিটিগী কনভিনরনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, কম্মিটিগী মীওইশিংদা খূৎ থারক্লিবা কাঙবু অসিগী মরুমদা মপাঙ্গল কনবা মীওইশিং লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। দ্রোন শীজিন্নবগী সিক্যুরিটি ভিয়ুদা কম্মিটিগী মেম্বরশিং ফাহনবনি হায়না পাউ লান্না শন্দোক্তুনসু কিহল্লে। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনা মরাল লৈরবা কিরন অমদি মহাক্কী কাঙবুগী মীওইশিং চৈরাক পীবীয়ু অমদি থৌবাল তুরেলদা লোনা যাদবা মওংদা নুঙ-লৈঙোই পেকপগী থবক লোন্না চথরক্লিবশিং অসি অথিংবা পীবীয়ু হায়রি।

## সিক্যুরিটি মীটশিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯-সেক্তর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী অমসুং মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীল্লগা লিলোং অমসুং কোইরেঙ্গৈ কম্পেনি ওপরেটিং বেজশিংদা সিক্যুরিটি মীটশিং পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখিবা সিক্যুরিটি মীটশিং অসিদা মৈরা পায়বীশিং, ৱার্দ কাউন্সীল্লরশিং অমদি লোকল ক্লব কয়াগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। সিক্যুরিটি মীট অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী মফমশিং অসিদা লৈরিবা সিক্যুরিটিগী ফীভমগী মতাংদসু খঙহনখি অমদি হায়রিব মফমশিং অসিদা লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং চথহন্দনবা করি করম্বা থৌরাংশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বসু কুপ্পা খন্নখি হায়না চেরোলদুনা মখা তারক্লি।

## এমসুগী ৫৪রকশুবা মপোক কুমওন...

*লামায় ১গী মখা...* এক্ট অসি পাস তৌদনা থল্লগা প্রাইভেট স্কুলশিংনা তৌনিংবতা তৌবদা মণিপুর লৈঙাক্লা তুমীন্না অদুম্মক লৈ। প্রাইভেট স্কুলগী থৌদোক অমা থোরকপদা ৱা অমফাওবা ঙাংবা ঙমদনা প্রাইভেট স্কুলগী য়াকা য়েংদুনা লৈরি। মণিপুরদা থা ৩ গী মতুংদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বসি মীয়াম্না খনবা মতম ওইরে। নাগা পিছ টোক অমদি মণিপুরগী ঙমখৈদা করি থোক্লকপা য়াবগে হায়বসি মীয়াম্না খনবা তঙাইফদ্রে। বেবিসনা মীশিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্লা নাকল অমদা থৈদোক্লবা হোৎনরি। মীশি অসিগী মতাংদা মীয়াম্না পান্নিবা করিনো হায়বা খঙদনা থিল্লগা তাকপসু য়াদ্রবদি করি তৌগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এমসুগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অয়েকপম দিজেন, এমসুগী প্রসিদেন্ট পিটর লাইশ্রম, কে এস ও, জি ঐচ ক্যুগী প্রসিদেন্ট পাওতিনথাং লুফেং অমদি লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতাসু দেজদা ফমখি।

অমরোমদা, এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনসু জিরিবামগী বাবুপরাদা লৈবা এমসুগী কনফরেন্স হোলদা ৫৪শুবা এমসুগী মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জে দি ও জিরিবামগী প্রসিদেন্ট এল রোমেন, এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু দিমোচা, এমসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী এদভাইজর ৱাই সঞ্জিৎ, এমসু হেদ ক্বার্টরগী ভাইস প্রসিদেন্ট এল অথৌবা, এ এ এম এস য়ুগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নিলাকান্তনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

## বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী...

*লামায় ১গী মখা...* অদুবু মসিগী মাংওইননা কেস অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মা, সিনিয়র এদভোকেটকী মায়কৈদগী মহাক্কী মথক্তা ইনক্বারি চত্থগদৌরিবা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি অসি অমুক হন্না রি-কন্সটিট্যুট তৌবীয়ু হায়বগা লোয়ননা নৌনা কন্সটিট্যুট তৌগদৌরিবা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি অদুদা চ্যেরমেন ওইরিবা টি ঐচ ইবোহল, সিনিয়র এদভোকেট য়াওহনবীগনু হায়দুনা অইবা চেরোল অমা বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেনদা ফাইল তৌরকখিবনি হায়রি।

রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেটকী মায়কৈদগী চত্থগদৌরিবা কেস অসিগী ইনক্বারিগী থবক্তা দি সীগী চ্যেরমেন ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট অসি মমাংদা মণিপুর লৈঙাক পায়রমখিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মতমদা এদভোকেট জেনরেল ওইখিবা মীওইনি হায়বগা লোয়ননা রেস্পোন্দেন্ট অসিনা বি জে পিগী সপোর্টরনি হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা মরমশিং পল্লি। লোয়ননা কেস অসিগী ইনক্বারিগীদমক ৱিটনেসশিংগী লিষ্ট শেমদুনা এগজামিন তৌনবগী থবক অমসুং কেস অসিগা মরী লৈনবা অখন্নবা ইস্যুশিং শেমদে হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

লোয়ননা দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা লৌখৎলক্লিবা কেস নম্বর ১ ওফ ২০১৯ অসিগা মরী লৈননা রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা সিনিয়র এদভোকেট ঐচ চন্দ্রজিৎ শর্ম্মগী মায়কৈদগী এফিদেবিট অমা হৌখিবা মার্চ ১৯দা সবমিট তৌখি। অদুগা মার্চ ৩০দনা এফিদেবিট ইন ওপোজিসন অমসু কম্মিটিদা সবমিট তৌদুনা মঙোন্দা শীরক্লিবা মরালশিং অদুগী মায়োক্তা মহাক মরাল লৈতে হায়বগী খূদম চাংদমশিং ফোঙদোকখ্রবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, মমাং থাগী ২২দা রেস্পোন্দেন্ট অসিগী মায়কৈদগী বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী চ্যেরমেনদা এদ্রেস তৌদুনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসন অদুগা মরী লৈননা ঙরাং থোকখিবা কাউন্সিল অসিগী ওর্দর অমদা হায়রিবা কেস নম্বর ১ ওফ ২০১৯ অসি মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা চৎনহন্দনা (ষ্টে) তৌদুনা থল্লে হায়দুনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

বার কাউন্সিল ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী ওর্দর অদু কাউন্সিলগী সেক্রেটরি এস চন্দ্রসেখরনা থোকখিবনি। লোয়ননা মসিগী কোপীশিং কাউন্সিল অসিগী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিগী চ্যেরমেন, মেম্বরশিং, কমপ্লেনেন্ট অমসুং রেস্পোন্দেন্ট মশাদসু পীখ্রে হায়রি। ওর্দর অসি কাউন্সিল অসিগী চ্যেরমেননা পীরকপা দিরেক্তিভকী মতুংইন্না থোকপনি হায়নসু পল্লি হায়রি।

## ওক্টোবর ২ দগী প্লাষ্টিক্কী পোৎলম ৬...

*লামায় ১গী মখা...* শীজিন্নবা অমসুং য়োনবা য়াররোই হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি, ওগষ্ট ১৫ দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমীৎকী থৌরমদা ৱা ঙাংখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোক্লরিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম পুম্নমক মপুং ফানা থিংনবগী মতাংদা অহানবা খোঙথাং লৌখৎমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মীওইবনা শীজিন্নরগা লংথোরকপা প্লাষ্টিক্কী পোৎলমশিংনা ঈশিংদা লৈরিবা থৱায় পানবা পুম্নমক্তা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা মীওইবগী চীঞ্জাক্তসু য়াওরকপদগী হকশেলদা চাউনা শিংনরক্লে হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্নসু কুমজা ২০২১ ফাওবগী মনুংদা অমুক্তং শীজিন্নরগা লংথোকপা প্লাষ্টিক্কী ষ্ট্রো, ফোর্ক, নাইফ অমদি কট্টন বটনচিংবা মপুং ফানা থিংনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবনি। চাইনাগী ওইনা লল্লোন-ইতিক্কী মরুওইবা মফম অমা ওইরিবা সংহাইদসু প্লাষ্টিক্লা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎতা থোকহল্লক্লিবা অমাঙ-অতাশিং য়েংলগা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম থিংনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রে।

ওফিসল রিপোর্ট অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ওক্টোবর ২ দগী হৌনা তোঙান তোঙানবা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম তরুক থিংনবা থৌরাং লৌখৎলকপা তারবসু থা ৬ ফাওবদি অথিংবা অসি থুগায়দুনা প্লাষ্টিক্কী পোৎলম শীজিন্নবা মীওইশিং চৈরাক পীখিরোই। মীয়ামদা প্লাষ্টিক নত্তবা অতোপ্পা পোৎলম অমনা মহুৎ শিন্নবগী মতম পীবা ওইনা থা ৬ ফাওবদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৈরাক পীরোই হায়রি।

## সেপ্টেম্বর ২গী অয়ূক্তগী পুং ৪৮গী...

*লামায় ১গী মখা...* ইরৈচাশিংগী অৱাবদা জে এ সীনা শরুক য়াজরি।

থেংখাঙ কয়ারক্তা লৈঙাক্লা জে এ সীবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনখিবা অদু হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি মীফমদা থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা পুখৎলকপা ৱাফমদা চীফ মিনিষ্টরনা কেস অসি সী বি আইদা শীন্নদ্রি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুনা ময়েক লারবা খূদমনি। পুলিস দিপার্টমেন্টকী অরানবা কয়া ময়েক শেংনা পুথোরকপা মতম অদুদা খূৎলায় পায়জদবা মীচম মীয়ামদা ওনশিন্দুনা মথৌনা উৎখিবা কয়া অদু ইকায়বা শোয়দনা ফাওরমগনি। অচুম্বা ফংননবা ঈং-তপ্পা মওংদা খোঙজং চঙশিঞ্জরিবা মীয়ামদা অকায়বা পীবা খুদক্তগী লেপকদবনি। জেলদা লৈরিবা জে এ সীগী মীওইশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীগদবনি। বেবিসনা মীশিগী কেস অসি সী বি আইদা শীন্নদুনা থিগৎহনবা হৌরে হায়বগী ৱাফম য়াওবা চে-চাং ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা মীয়ামদা ফোঙদোকপীয়ু। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্তবদি সেপ্টেম্বর ১দগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ২গী অয়ূক পুং ৬তগী সেপ্টেম্বর ৪গী অয়ূক পুং ৬ ফাওবা মণিপুর পূম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরগনি। জেনরেল ষ্ট্রাইক মনুংদা মৈ-ঈশিং, অনা-অয়েক অমদি লাইনিং-লাইশোলশিংগা মরী লৈনবশিংগীদি কোমথোকচগনি। জে এ সীনা কৌজরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মহৈরোয় লূপশিং, ইমা লূপশিং, সী এস ওশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীপূম খূদিংমক্না শৌগৎপীদুনা বেবিসনা মীশিগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## মশাগী চহী ১৫ দগী ৪৯ ফাওবগী...

*লামায় ১গী মখা...* স্কুলশিংদা ক্লাস ৬ দগী ১২ ফাওবদা তম্লিবা অঙাংশিংদা চয়োল অমদা আইরন, ফোলিক এসিদ টেব্লেট অমমম পীজবগী থবক পায়খৎলি। থৌরাং অসি লাইরিক তমদ্রবা নুপীমচাশিংগী ওইনদি অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংগী খুথাংদা পায়খৎলি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেসকী দোক্টর অমনা ফোঙদোরকপদা দল্লিয়ু আই এফ এসকী মহৈরোয়শিংদা আইরন এন্দ ফোলিক এসিদ টেব্লেট পীজবগী থবক অসি হীরম অসিগী মতাংদা ট্রেনিং ফংলবা ওজাশিংনা পাঙথোকপনি। অদুবু দোক্টর য়াওদনা ওজাখক্তনা অঙাংশিংদা হীদাক পীবদা মমা-মপা ওইবশিংনা পাখৎপদগী চাহন্দবা য়াম্না তোয়না থেংনৈ। অদুনা প্রোগ্রাম অসি মপুঙ ফানা মায় পাক্লে হায়বা য়াদ্রি হায়না ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবা অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মশক নাইরবা দোক্টর অমনা ফোঙদোরকপদা ঈদা য়াওফম থোকপা হিমোগ্লোবিনগী চাং হন্থনা য়াওবগী থৌওংবু এনিমিয়া হায়রগা খঙনৈ। মশাগী চহী ১৫ দগীনা ৪৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবী নুপীশিংনা অয়াম্বা এনিমিয়াগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লে। হকচাংদা আইরনগী শরুক ৱাৎপনা এনিমিয়া থোকহনবগী খ্বাইদগী চাউবা মরম্নি। অদুবু অতোপ্পা মরমশিং খুদম ওইনা ফোলিক এসিদ ৱাৎপা, বিটামিন বি ১২ ৱাৎপা, মলেরিয়া নাবা, পূক্তা তীল লৈবা, টিবি নৎত্রগা কেন্সরনগুম্বা মতম কুইনা হকচাংদা নাদুনা লৈবা নৎত্রগনা জিনেটিক্কী ওইবা মরমশিংনসু ওইহনবা য়াই। এনিমিয়া নাবনা অঙাং পোকপদা মমা শিবা, হকচাং শোন্থবা, হকচাং অমদি পুক্নীং-ৱাখলগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা, ইনফেক্সিয়স দিজিজনা মরম ওইরগা শিহনবা, পেরিনেটেল মোর্টেলেটি, থা শুদনা অঙাং পোকপা, অঙাংগী অরূম্বা শুদনা পোকপা, অঙাংদা ৱাখল লৌশিং মপুঙ ফাবা ৱাৎপা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়াসু থোকহল্লকপা য়াই। মণিপুরগী ওইনা এনিমিয়া নাবগী চাং অসি মমাঙগী চহীশিংগা য়েংনরুবদা খরদি হন্থরক্লে। অদুবু মীপুম খুদিংমক্না এনিমিয়াগী খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক মচল শুবা চীঞ্জাক মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই। অদুবু মচল শুবা চীঞ্জাক চাবখক্তনসু য়াদে, লূনা নান্না লৈবসু য়াম্না মথৌ তাই। লূনা-নান্না লৈত্রগদি হকচাং নারক্তুনা মচল শুবা চীঞ্জাক চারবসু মদুদা য়াওবা কান্নবশিং অদু হকচাংনা চূপশিনবা ঙমদবনা কান্নবা মাঙহল্লি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোরকখি।

# গভর্ণমেন্টনা মীতৈ ময়েকপু অনী থোকহনবা লৈতে : কাংজিয়া মঙাং

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): গভর্ণমেন্টনা মীতৈ ময়েকপু অনী থোকহনবা লৈতে হায়না মীতৈ ময়েক এক্সপার্ট কম্মিটিগী মেম্বর অমসুং মীলালগী এদভাইজর ঙারিয়াম্বম কাংজিয়া মঙাংনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা কাংজিয়া মঙাংনা হায়খি, মীতৈ ময়েক রিছার্স সেন্টর, মালোমনা গভর্ণমেন্টনা মীতৈ ময়েক অনী থোকহল্লে হায়না পাউচে খরদা হাপ্পল্লিবা ৱারোল অদুগী মতাংদা শেংদোকপনি। ময়েক ৩৬ কী অঞ্জি হায়বা শক্তম অসি ময়েক নত্তে। হিন্দুগী তন্ত্রিক সিম্বোল অমনি। ময়েক ৩৬ তা ঈ, উ য়াওদে। ইমাবু য়িমা হায়না ইরি। উচেকপু ৰুচেক হায়না ইরি। ঈ, উ য়াওবা পুয়া ৱাচেৎলোন পাথুপ, খমওই য়াংওই সেক্লিং, ঙাসাপা, সিংকক, ৱাকোকলোন থিলেল সলাই অমাইলোন পুকোক অসিনচিংবা পুয়া অমত্তা পাবা ঙমদে। ময়েক ৩৬ তা মীতৈ ময়েক্কী চৈসীং ময়েক (অঙ্ক ময়েক) য়াওদে। বেঙ্গোলি ময়েক্কী ১, ২, ৩, ৪, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯, ১০ না চৈসীং ময়েক ওই। মরম অসিনা মীতৈ ময়েক্কী চৈসীং ইয়েক য়াওবা পুয়া পুম্নমক পাবা ঙমদে। ময়েক ৩৬ তা অরুম-অয়াং খঙনবা চৈতপ য়াওদে। অরুম্বা ৱাহৈ অমত্তা ইবা ঙমদে। ময়েক ২৭ নদি লোইনা ইবা ঙম্মী। চৈথারোলা কুম্বাবা পুয়া অসি ময়েক ৩৬না পাবা ঙমদবা ৱাহৈ লিশিং ২ হেন্না য়াওরি। পুম্নমক অসি ময়েক ২৭ না লোইনা ইবা ঙম্মী।

চৈসীং ময়েক তরা ইগদবদা অমদগী তরা ফাওবা থিবগী মওংদা ইরে। অতোপ্পা য়ুনিভর্সিটিনচিংবগী সার্টিফিকেট হোল্ডরশিংদা মথৌ তৌহনবনা লোল অসি মশক থিহল্লে। লৈঙাক্লা হাপচিল্লিবা দিরেক্টর লেংগ্বেজ সেলনা ময়েক্কী অচুম্বা প্রোসিদিং নমশিন্দুনা থম্বীরে। মসিদা ফোঙদোক্লিবা অসিনা মীতৈ ময়েকপু অনী থোকহল্লে হায়জিনবদি কনানসু লৌগদবা লৈতবা মরম্না তেনশিল্লগে। কুমজা ১৯৮০ দা ফোঙখিবা গেজেট কোপীদগী খুৎনা ইবা ওজাশিং ময়েক তম্বীনবা ফোঙবা মপী লাইরিক্তগী ময়েক খরা শারুরবা তুংদা ক্লাস সিক্সতা তম্নবা টেক্সবুক অমসুং য়ুনিভর্সিটি থাক ফাওবা মীতৈ ময়েক্তা তম্নরিবা টেক্সবুক পুম্নমক ময়েক ২৭ তগী অমা মাঙহল্লগা ২৬ তং চৎহনবা অমত্তা লৈত্রি। মালেমগী লোলশিংদা শীজিন্নরিবা ইন্টরনেসনল সাইনশিং অসি শীজিন্নগদবনি। অমদগী তরা ফাওবা মমিং থিবদৌনা ইরে হায়রিবসি অমত্তা খুদম লৈতে। এদ্যুকেসনবু মালোমগী মীতৈ ময়েক রিছার্স সেন্টরনা দিরেক্সন পীগদবনি হায়বা অসিমদি মীয়াম্না ওইনা পাউখুম পীবীরো। দিরেক্টর লেংগ্বেজ সেল গভর্ণমেন্টনা হাপচিল্লি হায়রিবসিসু লৈতবা মরম্না খঙদ্রে। দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন হায়বতনি লৈরিবসি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

# ইবোহলনা লৈখিদবদা ঠিএটর সেন্টরনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৮ (ঐচ এন এস): শক্লাইরবা ঠিএটরগী থৌমী অমদি মতম শাংনা মণিপুর দ্রমাটিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহলনা ওগষ্ট ২৫দা লৈখিদবদা ঠিএটর সেন্টরকী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমখ্রে।

মীফম অদুদা মণিপুর ঠিএটরগী চাওখৎ খোঙথাংগীদমক মহাক্লা মমল য়াম্লবা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবিরম্বা অদুবু শিংথাদুনা মিনট ২ তুম্মিন্না লেপ্পুনা ইকাইখুম্নবা উৎখি। লৈখিদ্রবা ইবোহল মণিপুর সাহিত্যা পরিষদকী নাত্যা ভুষন, ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ, ঠিএটর সেন্টর এৱার্দ, হিজম ইরাবত মেমোরিয়ল এৱার্দ, মণিপুর সাহিত্যা পরিষদ, হাওবিজম ইবুংঙোয়াইবা কেশ এৱার্দ অমদি পান্থোইবী নাত্যা মন্দিরনা পীবা থম্বাল শক্তম লাঙলোন পীবারেল নচিংবা এৱার্দ কয়া ফংখি। শক্লাইনরবা তাংলবা মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী আর্টকী লমদা য়াম্না মাংজবা অমা ওইহৌগদৌরি। মহাক্কী থৱায় মীরেলনা ইংনা চিক্লা লাইরমলেনদা লৈরুনবগীদমক তাইবঙ মপুদা থৌনিজরি অমদি লৈখ্রিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ঠিএটর সেন্টর মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি খোইশনাম রণবীর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা ঠিএটর সেন্টরগী প্রসিদেন্ট ৱারেপ্পা নবানা ময়াই তাংবল লৌদুনা মীফম অদু পাঙথোকখি।

## সত্যভামা মীহাৎ : জজমেন্ট...

*লামায় ১গী মখা...* সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা চার্জশীট লানখৎলকখিবদগী কোর্ট অসিনা সেসন্স ট্রায়েল নম্বর ২৩ ওফ ২০১৩/৯০ ওফ ২০১৩ লৌখৎতুনা ৱায়েল চথরকখিবনি। লোয়ননা মমাংথক্তা কোর্ট অসিনা কেস অসিগী ৱায়েলগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্কনি হায়দুনা থেংখাঙ কয়ারক্তা মতম লেপ্পল্লবা ফাওবদা লাউথোকখিদ্রবা কোর্ট অসিগী অনৌবা প্রিসাইদিং ওফিসর অমা লাকপদগী ঙসি জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্লবা মতম লেপখিবনি। অদুমওইনমক থৌরাং অসিদা অৱাৎ-অপা খরা লৈবদগী মথং থাগী ২৭তা ওইনা লাউথোক্লগনি হায়দুনা লেপখিবনি।

পনবা য়াবদি, কেস অসিদা এক্যুজশিংনি হায়দুনা মরাল শীরিবা মীওইশিংনা ক্ষেত্রিময়ুম বিজু মৈতৈ, তোইজম থেসস এলিয়স জেমস বোন্দ অমসুং থৌদাম জিবলনি।

## স্কুল কেম্পসতা হিরোইন য়োল্লম্বা...

*লামায় ১গী মখা...* কোর্ট ওফ মণিপুরনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অসিদা ট্রান্সফর তৌরকখিবনি। কেস অসি ট্রান্সফর তৌরকপদগী মমাংগী কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ২৮দা মতম অদুদা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অসিগী স্পেসল জজ ওইরম্বা ৱাইখোম তোনেন মৈতৈনা এক্যুজ অনী অসিগী মথক্তা চার্জ হিয়রিং পাঙথোক্তুনা মখোয়গী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌরমখিবনি।

ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অসিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা লৌখৎখিবা কেস নম্বরনা স্পেসল ট্রাইয়েল নম্বর ১৩৬ ওফ ২০১৮নি। কেস অসিগী ৱায়েল কোর্ট অসিদা চথরক্লবা মতুংদা চৎলিবা কুমজা অসিগী জুলাই ১২ অমসুং ২৫দা মসিগী হিয়রিং পাঙথোক্লগা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লক্লগা ঙসি লাউথোকখিবনি। কেস অসিগী ৱায়েলদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদা স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (স্পেসল পি পি) এম রাইচান্দনা লেপ্পগা এক্যুজশিংগী মায়কৈদনা এদভোকেট খুপচিনপাও, পি ইবোমচা অমসুং মহাক্কী এসোসিএট কাউন্সেলশিংনা লেপখি।

ঙসি ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী মতুংইন্না কনভিক্সন পীরবা মীওই অনীমক মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদা রিমান্দ তৌখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীগী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবা সেন্টেন্স হিয়রিংনা মথং থাগী ৫দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মখোয় অনীদগী বি এ পি এসনা সিজ তৌখিবা নম্বর ফোর হিরোইন পূন্না গ্রাম ৫০০ নি। অদুগা পুলিসকী মায়কৈদগী কেস অসিদা এক্যুজশিং ওইনা মমিং পল্লকখিবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী বুংমুআল ভিলেজদগী খানচিন পাইতে (৪০), মপুরোইবা থোংলম পাইতে অমসুং চুড়াচান্দপুরগী ন্যু লমকাগী কোলেজ ভেংদগী থোংলিয়নপাও পাইতে (৪১) অপোকপা খটখমথোং পাইতেবুদি কেস অসিগী চার্জ হিয়রিংগী মতমদা মরাল লৈরমদ্রে হায়দুনা কেস অসিদগী দিসচার্জ তৌখ্রবনি। ঙসি কোর্টনা ফাদোক পীখ্রবা মীওই অনী অসিনা সেন্টর পিটর স্কুলগী কেম্পসতা হিরোইন নম্বর ফোর অসি য়োন্দুনা লৈরম্বদগী বি এ পি এসকী কাঙবুনা চঙশিল্লবদা স্কুল অসিগী ক্লাস ফাইবকী ক্লাসরূম অমদা চেনশিন্দুনা লোৎখিবগা লোয়ননা ড্রগশিং অদু ফুরিৎ হাফ শর্ট (পোলিষ্টরগী অমুবা মচু), মার্লবোরো হায়না থাবা অমনা য়োল্লগা পোলিথিন খাউ অমদা অমুক হাপ্পুনা ক্লাসরূম অদুগী ফক্লাংদা থেৎলিবা ব্লেকবোর্দকী মরুমদা লোৎশিন্দুনা থম্লমখিবনি হায়রি।

ফাগৎখিবা হিরোইন অদু বিয়াকলিয়ন পাইতেনা চুড়াচান্দপুরদগী পুরক্লগা লিয়ানপু সিমতেদা য়োন্থোক্লবা শিন্নখিবনি। ড্রগশিং অদু য়োনবগীদমক মঙোন দা লুপা ১০,০০০ পীগনি হায়নসু বিয়াকলিয়ন পাইতেনা খঙহল্লমখি হায়রি।

## কাঙলূপকী থোক্লিবা ঈরাংশিং লাইরিক হৈরবা মীওই...

*লামায় ১গী মখা...* ৱাই কে ধিরেন মীতৈ, লিশমলোক ভিলেজগী হেদমেন এ এস অমো, শুনাওলোং লিশমলোককী চ্যেরপর্সন ঐচ অঙমফি, লিশমলোক স্পোর্টিং য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট ঐচ বেঞ্জামিন অমসুং পাষ্টর এবসালোম জিমিক্না অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা শুনাওলোং লিশমলোককী চ্যেরপর্সন ঐচ অঙমফিনা ফোঙদোকখিবদা য়ু পি এফনা ঐখোয় লিংজেল মান্নসি য়ুনিটি পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোনদা খোঙ থাংজিনবীরকপা অসিদা য়াম্না নুংঙাইবা ফাওজে হায়রদুনা ঐখোয় অমনা অমবু চঙবা য়াই য়াদে হায়বগী কাঙলূপকী ওইবা ঈরাং লাকপসি লাইরিক-লাইশু হৈরবা মীওই খরনা শান্নবা কোক্কী লাননি। অদুনা চীংসু-তমসু অমগা-অমগা খৎনৌ হায়না ঈশ্বরনা হায়রমদবনি। ঐখোয় অমগা-অমগা নুংশি-চাননা লৈমিন্নসি হায়খি।

অথোইবা মীথুংশিংগী ৱারোল পীরদুনা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট জে সী আই এল পি এসকী কো-কনভিনর ৱাই কে ধিরেন মীতৈনা হায়খিবদা ঐখোয় তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ খূদিংমক অসি অপূনবা মণিপুর অমগী মখাদা হিংমিন্নবা নৎতনদি তোঙান-তোঙান হিংবা হায়বা অসিদি ওইথোক্লোইদৌবা মঙলান অমনি হায়রদুনা পীক্লবা ফুরুপ মশেল অমগা-অমগা মতেং পাংনদ্রগদি হিংবা ঙমদবা ফুরুপ মরক্তা তোঙান হিংনবগী মঙলান লাক্লবদি ফুরুপ অদু মুৎনবগী লম্বীদা খোঙ থাংজিল্লবনি।

মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেল অমগা-অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা শোয়খিবা লানখিবশিং ঙাক্লদুনা হিংমিন্নরবদি চাওখৎপা খুন্নাই অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, মতম অমদা লৈরম্বা নুংশিনবগী মরী মাঙথরক্লিবা অসি লাইরিক লাইশু হৈরবা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লুরবা মীওই খরনা থোকহনবনি হায়বা খন্থবা মতম য়ৌরে। থংনরিবা খুলশিংদা অৱা-অনাশিং পাউদমদুনা নুংঙাইনা লৈমিন্নবগী অমদি মতেং পাংনবগী মহুৎতা লাপ্পা লৈবা মফমদা চৎতুনা অৱা-অনা পাউদম্লুরগা অরাপ্পদা লৈরিবা মীদুনা ঐখোয়গী অৱাবা কোকহনবা ঙল্লোই। ঐখোয় পাউ ফাওনবা অমদি কম্যুনিকেসন গেপ লৈহন্দনবা পূকচেল শেংনবা চঙই। থাঙ য়েপ্পুনা লৈরগা নুংশিনসি লাউবনদি কান্নরোই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ঙসি ফাওবদা লৈঙাক্তা তক্লদুনা লাকপা থবক অমত্তা লৈঙাক্লা থবক ওইনা ওন্থোকখিদ্রি। হন্দক এয়রপোর্টতগী রোহিঞ্জা খরা ফারকান্দা সী এমনা সী এস ওশিং থবক তৌদে অসিগুম্বদা মায় ওনশিন্দে হায়খিবদু য়ানিংদে। মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোক্লিবসি সী এস ওশিংলা, গভর্ণমেন্টলা হায়না হংলদুনা মহাক্লা হায়খি। য়েলহৌমী কন্নবা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎতুনা বিল পাস তৌহনখ্রবনি। হৌজিক্তি লৈঙাক্কী মখূৎতা লৈখ্রবা বিল অমা এক্ট ওনবা হায়বসি গভর্ণমেন্টকীনি, সী এস ওশিংগী মখূৎতা লৈত্রবনি। এক্ট ওন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তক্লগদবা লুচিংবশিংনা তুমিন্না লৈশিল্লগা সী এস ওশিংদা ওনশিনবা অসিনা তাকপদি মীতোপ মীয়ানচাগী ইস্যুদা লৈঙাক্লা থৱায় য়াওদে তাকচবনি হায়রি।

লিশমলোক স্পোর্টিং য়ুথ ক্লবকী প্রসিদেন্ট ঐচ বেঞ্জামিননা হায়খি, খুল অসিগীদমক অমদি মণিপুরগীদমক য়াম্না লাইবক ফবা থৌরমনি। ঐখোয় পুম্নমক্লা ৱা ঙাঙবদা ফজবগুম থম্মোয়সু ময়েক শেংমিন্নসি লিংজেল মান্নরবদি মী অমত্তনা হেঞ্জিনবা ঙল্লোই।

মণিপুর কনসি হায়বা তারগদি মীয়ামগীদমক কত্থোকপা ঙম্বা মীহুৎ য়াম্না মথৌ তাই। মীয়াম্নসু পূকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তারি। অমনা অমগী মতেং পাংনরগা ৱাখল্লোন অমদা পূন্না চৎমিন্নরবদি মণিপুর কায়দনা থম্বদা মতেং ওইগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

য়ু পি এফ মণিপুরগী ২১শুবা মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা অঙনবা অয়ূক্তগী হৌনা য়ু পি এফকী লুচিংবশিং অমদি মীয়াম্না লিশমলোককী অকোয়বদা উ চারা কয়ামরুমসু থামিন্নখি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা সী এস ওশিংগী লুচিংবশিং, মেম্বরশিং অমসুং লিশমলোক অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খুলশিংগী মীয়ামসু শরুক য়াখি।